ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

হুইয়েন লানপাউ

এম এল এ সূর্য্যকুমার ওক্রমনা হিন্দি পরিষদকী হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা সমোম রঘুমনিনা ইবা ৱারীমচাগী লাইরিক 'লমন মখাক' ফোঙদোকখিবা

ঐখোয়গী থাবুংতোন খক নত্তনা সোলর সিষ্টমদা থা ২০০ হেন্না লৈ

☛ লামায় ২

ইবুধৌ মোইরাংপোকপগী শঙলেন শঙাখ্রে

☛ লামায় ৩

পাসপোর্ট অমদি মরী লৈনবা থবকশিংগীদমক মীয়ামদা খুদোংচাহল্লগনি

☛ লামায় ৫

পোলিটিক্সপু ফাগীনি খনবা মীরেপশিংদগী চেকশিনবীয়ু : ইরাবত

☛ লামায় ৬

সী এম ঐচ টি অমসুং আয়ুসমান ভারতকী মখাদা স্কাই হোস্পিটালনা হার্ট পেসেন্টশিংবু লায়েংলকপগী চহী ৩ শুরকপগী কুমওনদা চীফ মিনিষ্টরনা শরুক য়াখিবা

Vol. 45, Issue No. 235 | থাংজ, হিয়াঙ্গৈগী ১৬নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Saturday, November 20, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

KNOW YOUR FORMS
FORM
7
FOR OBJECTION/DELETION OF NAME FROM ELECTORAL ROLL
Chief Electoral Officer, Manipur

কোংগ্রেসকী স্ক্রিনিং কম্মিটি শেমখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস): লাক্লিবা ষ্টেট এসেমব্লী মীখলগা মরী লৈননা কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধীনা মণিপুর য়াওনা ষ্টেট অহুমগী স্ক্রিনিং কম্মিটিশিং শেম্লে হায়না এ আই সী সীগী জেনরেল সেক্রেটরি কে সী ভেনুগোপালগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

এন আর এফ এমনা পোকখায়হনখিবনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ :

খুন্নাই অসিবু মাঙনবা শীনবসি খুন্নাইসিগী য়েক্লবনি, খুন্নাইসিগী য়েক্লবদি এন আর এফ এমগীসু য়েক্লবনি, য়েক্লববু খোঙদাহল্লিবা অমসুং য়োক্তুনা থল্লিবসিসু য়েক্লববু ফোংনা শৌগৎলি হায়বনি হায়না নেসনল রেভল্যুস্নরি ফ্রন্ট, মণিপুর

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

জেলদা ১ থাজিনখ্রে, ৩ বেল পীখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল পি এসনা হুইগী ৱাহৌদগী থোরকখিবা খৎন-চৈনবগী থৌদোক্না মরী লৈননা লৌখৎখিবা কেস অমগী মতুংইন্না ফাগৎখিবা মীওই ৪গী মনুংদা ১ জেলদা থাজিনখ্রে অদুগা ৩না বেল পীখ্রে।

ঙসি সী জে এম, ইম্ফাল ৱেষ্টনা জেলদা

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

ইন্দিরা গান্ধীগী মপোক কুমওন

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস): মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী)না শীন্দুনা কোংগ্রেস ভবনদা ঙসি লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বী লৈখিদ্রবী ইন্দিরা গান্ধীগী ১০৪শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা লৈখিদ্রবী

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩০.০১°C
খ্বাইদগী ঈংবা ০৭.৬৪°C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.১৮
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.৩৪
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.২৬

HL Poll

Q: PM Modina firm bill ahum louthoklagani hairibasi electionda BJP na vote yamna fangnabagi oigadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: District Magistratena CrPCgi section 144gi sub section 2gi makhada athingba thambana law and order ngakpa ngamgadra?

Yes 17% No 83%

অস! লোইরেহে!

- মখোয় অনীগী মতাংদা ইচিন ইনাওদি কায়নরে, মখোয়দি চান্নরে।

- ꯃꯈꯣꯏ ꯑꯅꯤꯒꯤ ꯃꯇꯥꯡꯗ ꯏꯆꯤꯟ ꯏꯅꯥꯑꯣꯗꯤ ꯀꯥꯏꯅꯔꯦ, ꯃꯈꯣꯏꯗꯤ ꯆꯥꯟꯅꯔꯦ॥



- মখোয়দি খংনবা নত্তে, ওইনজবনে।

- ꯃꯈꯣꯏꯗꯤ ꯈꯪꯅꯕ ꯅꯇ꯭ꯇꯦ, ꯑꯣꯏꯅꯖꯕꯅꯦ॥

খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা শগুন তৌনবা হোৎনরম্লব্রা

টেম্পররি মার্কেটতা অনৌবা ভেন্দিং সেদ শাবগী থবক আই এম সী খঙলমদ্রে, শাবা পূমলোই লোইরগনা আই এম সীনা ভেন্দিং সেদ শানবা লুপা ক্রোর ২.২৬ পীবিয়ু হায়জরক্লে



ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস) : মালেমগী মফম পুম্নমক্কী মনুংদা নুপী ঙাক্তনা ফম্বা অমত্তা ঙাইরবা কৈথেল ওইরিবা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী মপূং ওইবা ইমা কৈথেল অহুমগী মথক্তা মরিশুবা কৈথেল অমা ওইরক্লিবা 'টেম্পররি মার্কেট' তা হকথেংননা মরী লৈনরিবা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল (আই এম সী) শুকখঙ খঙহন্দনা অমসুং য়াওহন্দনা অনৌবা ভেন্দিং সেদ অমা প্রপ-প্রপ শাবা লোইশিল্লক্লবা মতুংদা ভেন্দিং সেদ অসি শানবগীদমক্তা লৈঙাক্তা গ্রান্ট-ইন-এইদ ওইনা লুপা ২,২৬,৩১,২৫৫ পীবিনবা হায়জরকপনা অনৌবা ভেন্দিং সেদ অসি নম্ফুন্দা শাজিল্লগা অঙম্বা মীওই খরনা য়াল্লবা শেনফম অমা শগুন তৌনবা হোৎনরম্লব্রা হায়বগী ৱাহং চোঙথোরক্লে।

খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী মরিশুবা কৈথেল অমা ওইরিবা টেম্পররি মার্কেটতা অনৌবা ভেন্দিং সেদ অমা ৱার ফুটিংদা শাগৎলকখিবদা কৈথেল অসিনা হিংবগী পান্থে ওইজরিবা পোৎফম ফন্বীশিং অমসুং কৈথেল অসিগী অকোয়বদা লৈরিবা দুকান ফম্বশিং য়াওনা মীয়াম্না হায়নীংঙাই লৈতনা থবক অসিবু পাঙথোরক্লিবা মরী লৈনবা মীওইশিংদা ঙমখে লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোক্লরকখি।

অদুম ওইনমক টেম্পররি মার্কেটতা অনৌবা ভেন্দিং সেদশিং শাগৎলক্লিবা অসি কনানা শাবনো, কনাদগী অয়াবা লৌবনো অমসুং শাবা লোইশিল্লক্লবা ভেন্দিং সেদ অসিদা ফমদুনা পোৎ-চৈ য়োলহন্নবগীদমক ভেন্দিং লাইসেন্স এলোটমেন্ট তৌবগী থবক্লা কনানা তৌগদৌরিবনো হায়বা ৱাহংশিং লাকপদগী পাউচে অসিনা নুমিৎ খরনি চঙনা চথখিবা ইনভেষ্টিগেসনদা ফংলকখিবা রিপোর্টকী মতুংইন্না টেম্পররি মার্কেটতা অনৌবা ভেন্দিং সেদ শাবা হৌগৎলকপগা ইরোয়নবা শগোলবন্দ মোইরাং লৈরক্তগী লাইশ্রম অরুনকুমার অপোকপা লৈখিদ্রবা এল ইনাওমচা কৌবা মীওই অমনা রাইট টু ইনফোর্মেসন (আর টি আই) এক্ট, ২০০৫গী মখাদা টেম্পররি মার্কেট অসিগা মরী লৈনবা ৱাহংশিং হংবগা লোয়ননা ৱাহংশিং অসিগা মরী লৈনবা পাউখুমশিংগী দোক্যুমেন্টশিং পীননবা হায়রম্বা থেংনখি।

আর টি আই এপ্লিকান্ট অসিনা মহাক্কী ৱাহংশিং অমসুং মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিং অদু ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন (আই এম সী) দা হংদুনা তাল্লম্বনি। মহাক্কী ৱাহংশিং অমসুং দোক্যুমেন্টশিং অদু আই এম সীগী পি আই ওগী খুৎথাংদা ওক্টোবর ১৮, ২০১৯দা সবমিট তৌরম্বনি। অদুবু এপ্লিকান্ট অসিনা কৈথেল অসিগা হকথেংননা মরী লৈনরিবা আই এম সীদা হংখিবা ৱাহং অমসুং তানখিবা দোক্যুমেন্টশিং অদুগী এপ্লিকেসন অদু চহী ২ রোমগী মতুং জুলাই ৫, ২০২১দা মহাক্কী ৱাহংশিং অদুগী পাউখুম পীরকখিবনি।

আর টি আই

...মখা লামায় ৩ কলম ২

চীংদা পুং ২৪গী শটদাউন অমসুং মতম কক্তবা ব্লোকেদ

চীফ মিনিষ্টরগা য়ানদ্রে, টোটেল শটদাউন অমসুং ইন্দিফিনিট ইকোনোমিক ব্লোকেদ চথরগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচএনএস) : ৱাথোক ওইরক্লিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মণিপুর (হিল এরিয়াজ) ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলস বিল, ২০২১বু খন্ননবগীদমক এসেমব্লিগী অখন্নবা সেসন অমা কৌগদবনি হায়দুনা দিমান্দ তৌরক্লিবা ওল ট্রাইবেল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন মণিপুর (অটসুম), ওল নাগা ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন মণিপুর (অন্সম) অমসুং কুকি ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (কে এস ও) জেনরেল হেদ ক্বার্টরস অমসুং অটসুমগী মখাদা লৈবা য়ুনিটশিংনা পুল্লগা ঙসি লাউথোকখিবা ৱাফম অমদা লূপশিং অসিনা মখোয়গী দিমান্দশিং তকশিল্লদুনা চথ্‌গনি লেপখিবা পুং ২৪গী টোটেল শটদাউনগী খোঙজং লাক্লিবা নিংথৌকাবা (নবেম্বর ২২, ২০২১) দা অদুমক চথরগনি হায়বগা লোয়ননা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী নেসনল হায়ৱেশিংদা মতম কক্তবা ইকোনোমিক ব্লোকেদকী খোঙজংসু চথরগনি হায়রি।

অটসুমগী প্রসিদেন্ট পাওতিন্থাং লুফেং, অন্সমগী প্রসিদেন্ট পিটর মোন্সাং অমসুং কে এস ও/জি ঐচ ক্যুগী প্রসিদেন্ট সসাঙ খৌতেনা পুন্না খুৎয়েক পীদুনা চীফ মিনিষ্টরদা পীশিনখিবা চেরোল অমদা লূপ অহুমসিগী মীহুৎশিংগা ঙসি চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরিএটতা মরী লৈনবা ওফিসলশিং য়াওনা উনদুনা শানখিবা ৱারীদা নাকল অনীগী মরক্তা য়াশিন্নবা পুরকপা

...মখা লামায় ৩ কলম ২

জোইন্ট ট্রাইব ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন, থাদৌ অমসুং জোমি মহৈরোয়শিংগী লূপশিংনা শৌগৎলোই

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচএনএস) : ঙসি মণিপুর (হিল এরিয়াজ) ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলস বিল, ২০২১গী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরগা অটসুম, অন্সম অমসুং কে এস ও-জি ঐচ ক্যুগী মীহুৎশিংগা ফম্নিন্নদুনা ৱারী শানবদা য়ানবা পুরকপা ঙমদবদগী ৱারী শানবদা শরুক য়াখিবা চীংগী মহৈরোয়শিংগী লূপ অহুম্না হান্না লেপখিবগী মতুংইন্না লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা টোটেল শটদাউনগী খোঙজং চঙশিনবগা লোয়ননা মতম কক্তবা ইকোনোমিক ব্লোকেদ তৌরগনি হায়খ্রবসু চঙশিল্লক্কদৌরিবা খোঙজং অসিদা জোইন্ট ট্রাইব ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (জে টি এস এ) (ইনপুই, লিয়াংমাই, রোংমৈ, জেমে) গী অপূন লূপ অসিগী সেক্রেটরি মসানবৌ থিয়ুমাইগী চেরোল অমনদি খোঙজং অসিদা মখোয়না শৌগৎলোই হায়রি।

ৱাফম অসি জে টি এস এ, ওল ইনপুই ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এ আই এস য়ু), লিয়াংমাই নাগা কটিমাই রুৱাংদি (এল এন কে আর), রোংমৈ নাগা ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন মণিপুর (আর এন এস ও এম) অমসুং জেমে ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন মণিপুর (জেদ এস ও এম) না মখোয়গী এদভাইজরশিংগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা মীফম অমনা লৌখিবা ৱারেপকী মতুংইন্ননি হায়রি।

অমরোমদা টোটেল শটদাউন অমসুং ইন্দিফিনিট

...মখা লামায় ৩ কলম ৬

ꯃꯔꯣꯜ ꯊꯣꯛꯄ ꯂꯥꯏ / মরোল থোকপা লাই



ৱাথোক ওইরক্লিবা ফার্ম লো ৩ মোদিনা রীপিল তৌরগনি লাউথোকখ্রে

ইন্দিয়াগী পুৱারীদা সনাগী ময়েক্লা ইদুনা লৈহৌরগনি : অর্বিন্দ কেজ্রিৱাল

বি জে পিনা ভোট ফংলরোই খনবদগীনি : এম পি সী সী

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস): লৌমীশিংগী মায়োক্তা ফার্ম লো অহুম লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ৱিথদ্রো তৌরগনি হায়না লাউথোকখিবা অসি মথং চহীদা মণিপুর য়াওনা তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদা পাঙথোকক্দৌরিবা মীখলদা বি জে পিনা ভোট ফংলরোই খনবদগীনি হায়না কোংগ্রেসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

কোংগ্রেস ভবনদা ঙসি নুংথিল পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা এম পি সী সীগী ভাইস প্রসিদেন্ট কে ঐচ দেবব্রতনা হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফার্ম বিল অহুম ৱিথদ্রো তৌরগনি হায়না লাউথোকখিবা অসি লৌমীশিংবু তশেংনা নুংশিবগী নত্তে। মীখলদা শোল্লক্কদবা অদু উরগা লৌরকপা খোঙথাংনি। লৌমীশিংগী মায়োক্তা লৈবা ফার্ম বিল অহুম হন্দোক্লগনি হায়না লাউথোরকখিবা অসি ফার্ম লোশিং অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লেপ্পুনা খোঙজং চঙশিন্দুনা লাক্লিবা লৈবাক অসিগী লৌমীশিংগী অচৌবা মায় পাকপনি। অদুগা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিগী অচৌবা মায়থীবনি। ফার্ম লো অহুম অসিগী মায়োক্তা লৈবাক অসিগী মশীং য়াল্লবা লৌমীশিংনা মতম শাংনা খোঙজং চঙশিল্লক্লবা মতুং ঙসি গুরুনানককী মপোক নুমীৎকা মরী লৈননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মীয়ামদা পাউজেল পীবদা ফার্ম লো অহুম হন্দোকপগী ৱাফম অসি লাউথোকখিবনি।

এন্টি হ্যুমেন, এন্টি ফার্মর্স ওইবা ফার্ম লো অহুম হন্দোকখিবা অসি লৌমীশিংগী

...মখা লামায় ৩ কলম ৫

ন্যু দেল্লী, নবেম্বর ১৯ (এজেন্সী) : কুমজা ২০১৪দা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরকখিবদগী হৌজিকসু অনীরক শুরকপা টর্মগী ওইনা ফম অসিবু পায়রক্লিবা নরেন্দ্র মোদিনা চহী অমরোমগী মমাঙদা লৈবাক অসিদা অনৌবা ফার্ম লো ৩ পুথোক্তুনা চৎনহন্নবা হোৎনরুবদগী লৈবাক শীনবা থুংনা ৱাথোক ওইরক্তুনা মীশি মীনা কয়া য়াওহনবদা নত্তনা হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিগী লৌমীশিংনা লো ৩সিগী মায়োক্তা খোঙফম চেৎনা লেপ্পুনা লৈরকপদগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মহাক্কী লৈঙাক্লা ফার্ম লো ৩ অসি রিপিল তৌনবগী ৱারেপ লৌরে হায়দুনা লাউথোকখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টরনা ৱাথোক ওইরিবা ফার্ম লো ৩ রিপিল তৌরগনি হায়দুনা লাউথোরকপবু লৈবাক অসিগী পুৱারীদা সনাগী ময়েক্লা ইদুনা লৈহৌরগনি হায়না দেল্লীগী চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা ফোঙদোকখিবদা নত্তনা কোংগ্রেস লুচিংবী সোনিয়া গান্ধীনসু ঙসিদি অচুম্বা অমসুং নন ভাইওলেন্সনা মায় পাক্লে হায়বগী ৱাফম ফোঙদোকখ্রে।

ফার্ম লো ৩বু রীপিল তৌরগনি হায়বা ৱাফম ঙসি লাউথোক্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা হায়, মহাক্কী লৈঙাক্লা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্ট, এগ্রিকলচর এক্সপর্টশিং অমসুং লৌমীশিং য়াওবা কম্মিটি অমা শেম্লে। কম্মিটি অসিনা মহৈ-মরোং

...মখা লামায় ৩ কলম ২

সী এম য়াওনা হার্ট পেসেন্টশিং লায়েংবগী কুমওন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচএনএস) : মণিপুরবু চাওখৎহনগে হায়রবদি থবক খুদিংমক মাইক্রো লেভেলদা হোৎনবগা লোয়ননা মোনিটর তৌগদবনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা ঙসি হোটেল ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা সী এম ঐচ টি অমসুং আয়ুসমান ভারত (পি এম জে এ ৱাই) স্কিমশিংগী মখাদা স্কাই হোস্পিটালনা হার্ট পেসেন্টশিংগী পুন্সি কন্নবগীদমক চথরকখিবা লায়েংবগী চহী ৩ শুরকপগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা ফোঙদোকখ্রে।

থৌরম অসিদা চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, মহাক্লা পাউমী ওইরিঙৈদগী হৌরদুনা পোলিটিসিয়ন ওইরকপা ফাওবগী মনুংদা লায়রবনা মরম ওইরদুনা লায়েংমল পুথোকপা ঙমজদবা মীওই কয়া থেংনরকপদগী চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাঙ হৌদোক্ল বগী ৱাখল পোকখিবনি। থবক অসিগীদমক হিল লিদরস দে অমসুং মীয়ামগী নুমিৎতা থেংনখিবা ময়ামদগীসু ৱাখল অসি পোকহল্লকখিবনি হায়রদুনা মদুদা ফংখিবা ৱাখল্লোনশিং অদু ঙসিদি থবক ওইনা উরবনি হায়বগা লোয়ননা হৌজিক স্কিম অসিগী মখাদা মী লাখ ৪ হেন্না মীং চল্লে হায়খি।

মণিপুরদা সী এম ঐচ টি হৌদোকপগা ইকান কান্নদনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী আয়ুসমান ভারত অসিসু মথৌ তাবা মীয়ামদা তেংবাঙ পীনবগীদমক হৌদোরকখিবনি। হৌজিক ফাওবদা সী এম ঐচ টিগী মখাদা অনাবা মীওই ১৭৫ মায় পাক্লা হার্ট সর্জরিগী থবক পাঙথোকখ্রে অমসুং আয়ুসমান ভারতকী মখাদনা পেসেন্ট ৯১দা হায়রিবা সর্জরি অসি স্কাই হোস্পিটাল খক্তনা পাঙথোকখ্রে হায়খি।

চীফ মিনিষ্টরনা মথৌ তাবা পেসেন্টশিংদা কৎথোকপগা লোয়ননা লায়েং চথবগীদমক স্কাই হোস্পিটালগী

...মখা লামায় ৩ কলম ২

ওক্রম হেনরিবু চীফ মিনিষ্টরগী এদভাইজর হাপখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস): সেক্রেটরিএট : কনফিদিসিএল এন্দ কেবিনেট দিপার্টমেন্টগী মায়কৈদগী ঙসি চীফ সেক্রেটরি অমসুং সেক্রেটরি (কেবিনেট) ডা. রাজেস কুমারনা থোকখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না লৈঙাকসিদা মিনিষ্টর ওইরমখিবা ওক্রম হেনরিবু চীফ মিনিষ্টরগী এদভাইজর হাপখিবগা লোয়ননা খুদক্তগী থবক পুবা হৌরগনি হায়রি।

লোয়ননা মহাক্কী এপোইন্টমেন্ট অসিগী টর্ম অমসুং কন্দিসনশিং তোঙান্না পীরক্কনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, মহাক ১১শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লিগী মীখলদা ১৫-ৱাংখৈ এ সীদগী কোংগ্রেসকী টিকেটতা কারক্লবা মতুং এম এল এ ওইবদগী অমসুং কোংগ্রেস পার্টিদগী তোক্লগা বি জে পিদা য়াওশিল্লবা মতুংদা থা তরুক্কী মিনিষ্টর ওইরমখিবনি।

পুলিসনা পাস পায়দবা নন লোকল ৩৫ ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচএনএস) :

ঙরাং জে সী আই এল পি এসনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা দ্রাইভ চথখ্রবা মতুং ঙসি সিটি পি এসকী ও সী ইন্সপেক্টর এন সুধিরনা লুচিংবা টিমনা চথখিবা দ্রাইভতা ইন্নর লাইন পর্মিট পায়দনা লৈরম্বা অমসুং পায়রবসু মতম হেন্দোল্লবা নন লোকল ৩৫ ফাগৎলে হায়রি।

ঙসি চথখিবা দ্রাইভ অদুদা পুলিসনা নন লোকল ৭৭ ভেরিফাই তৌখিবগী মনুংদা ৩৫না পায়ফম থোকপা আই এল পি পায়রমদবদগী ফাগৎখিবনি অদুগা ফাগৎলবা মীওইশিং অদু মখোয় মশাগা লোয়নফম থোকপা আই এল পিশিং লৌনবা অমসুং রিন্যু তৌগদবশিং তৌহন্নবগীদমক ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসতা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

পনবা য়াবদি, ঙসি চথখিবা দ্রাইভ অদুদা পর্মিটনা পীরিবা নুমিৎশিং হেন্দোকখ্রবসু রিন্যু তৌরমদবা নন লোকল কয়া থেংনখি হায়রি।

কোভিদনা শিহনখিবা মীওই ১৯৫৯ শুরে

অনৌবা কেস ৫৭ থেংনখি, ৫৬ ফগৎলকখি, ৩ লৈখিদে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচএনএস) :

নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা নুংতিগী থেংনবা পোজিটিভিটিগী চাং চাদা ২.৫দা হন্থরুরবসু অমুক হন্না ৩.৫দা হেনগৎলকপগা লোয়ননা ঙসি নুংথিলগী হেল্থ দিপার্টমেন্টকী রিপোর্ট মতুংইন্না হৌজিক ফাওবদা কোভিদ-১৯না শিহনখিবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীং ১৯৫৯শুরে হায়বগা লোয়ননা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা অনৌবা পোজিটিভ কেস ৫৭ থেংনরগা মীওই ৩ লৈখিদে অদুগা মীওই ৫০না নাবা ফগৎলক্তুনা দিসচার্জ তৌখি হায়রি।

নৌনা থেংনখিবা পোজিটিভ কেসশিং অদুগী মনুংদা অমনা সী এ পি এফনি অদুগা লেমহৌরিবা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ৫৬কী মনুংদনা নুপা ২৬ অমসুং নুপী ৩০নি। অনৌবা কেসশিং অদু রিমসতা ১, জেনিমসতা ৪ অমসুং অতৈ টেষ্টিং সেন্টরশিংদা ৫১ থেংনখিবনি হায়রি। পোজিটিভ ওইরবশিংনা ইম্ফাল ইষ্ট ১২, ইম্ফাল ৱেষ্ট ৪০, বিষ্ণুপুর ২, চান্দেল ১ অমসুং কামজোংদগী ১নি। মখোয়গীদমক্তা লৌখৎফম থোকপা মাঙজৌনবা চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুংদা কন্টেনমেন্ট অমসুং কন্টেক্ট ট্রেসিংনচিংবগী থৌরাংশিং লৌখৎলে হায়রি।

অমরোমদা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা ষ্টেট লেভেল কোভিদ-১৯ দেথস ওদিট কম্মিটিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্ত্রিবা মীওই ৩ কো-মোর্বিদিটিজনা মরম ওইদুনা লৈখিদ্রে হায়রি। লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদু ইম্ফাল ৱেষ্ট, ককচীং অমসুং চান্দেল দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ১/১নি হায়বগা লোয়ননা লৈখিদ্রবা অহুম অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা লৈখিদবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীং ১৯৫৯ শুরে

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

রাজেস ফিলেম ১দি মৈরাবনা টাটা পঞ্চ পিওর কার লোঞ্চ তৌখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস) :

টিদ্দিম রোদতা লৈবা এম এস টিদ্দিম মোটোর্স শো রুমদা অনৌবা মখলগী টাটা পঞ্চ পিওর কার অমা ঙসি টাটা মোটোর্সকী দিলর প্রিন্সিপল রাজেস ফিলেম অমদি বেদমিন্টন ষ্টার প্লেয়র মৈস্নাম মৈরাবা লুৱাংনা লোঞ্চ তৌখ্রে।

ঙসি লোঞ্চ তৌখিবা অনৌবা টেক্নোলোজি কয়া য়াওরবা টাটা পঞ্চ পিওর কার অসি মণিপুরদা অহানবা ওইনা লোঞ্চ তৌখিবনি। লোঞ্চ তৌখিবগী থৌরম অদুদা এম এস টিদ্দিম মোটোর্স শো রুমগী সেল মেনেজর চিতরঞ্জন ইরেংবমনা ফোঙদোকখিবদা টাটা কম্পনিগী ঙসি লোঞ্চ তৌরিবা পঞ্চ পিওর কার অসি মণিপুরগী লৈহাওগা য়াম্না চান্নবা কার মখল অমনি। হৌজিক ফাওবদা কার অসি লৈগনি হায়না বুক তৌরকখিবা মীওইগী মশিং ৯০নি। অদুগা ঙসি অহানবা ওইনা মীওই ৭ তা কার অসি খুৎশিন্নগনি। পঞ্চ পিওর কার অসিগী টেক্নিকেল স্পেসিফিকেসনশিং অদুদি ১.২ এল রিবোট্রোন ইঞ্জিন, ১১৯৯ সী সী, ৩ সিলিন্দর, ৬৩ কে দব্লিয়ু/৬০০০ আর পি এম, ১১৩ এন এম/৩৩০০, ইকো এন্দ সিটি, ৫ স্পিদ মেন্যুএল/৫ স্পিদ এ এম টি বুট স্পেস লিটর ৩৬৬, ফ্যুএল টেঙ্ক কেপাসিটি ৩৭, ফ্লোটিং ৩.৫ স্ক্রিন

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

ꯂꯣꯟ ꯑꯦꯚꯦꯂꯦꯕꯜ
LOAN AVAILABLE
VEHICLE LOAN
SERVICE LOAN
PENSION LOAN
- Minimum Down Payment
- No Guarantor required
- One Day Delivery

Area Coverage:
* Imphal East
* Imphal West
* Bishnupur

Pliz contact :- 8787688086
Working Hour :- 10:00 am to 4:00 pm
IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O.: Loklaobung
B.O.: MG Avenue, Paona Bazar & Bishnupur Bazar

HL-P/7272/10th Nov to 10 Dec.

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫